# সেরি এ : জুভেন্টসনা এম্পোলি পাঞ্জল ২-০দা অদুগা লিচেনা সালেরনিটানা পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে

**ইটলি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):** ইটলিদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা সেরি এ কপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জুভেন্টসনা এম্পোলিবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা লিচেনা সালেরটিনাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইটলিগী ষ্টেদিও কার্লো কেষ্টিলানি ষ্টেদিয়মদা ঙসি জুভেন্টস অমসুং এম্পোলিগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। অহানবা হাফ হৌগৎলকপগী ওইনা জুভেন্টসনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু এম্পোলিগী দিফেন্স মপাঙ্গল কনবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অসিগী ২৪শুবা মিনটতা জুভেন্টসকী দানিলোনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জুভেন্টসনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্না বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্লখিদে। এম্পোলিনা জুভেন্টসকী গোল পোষ্ট তম্না বোল কাওশিনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মখোয়গী মায়োক্তা চনখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেটচ অদুগী ৮২শুবা মিনটতা জুভেন্টসকী টিমনা খঙহৌদনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অদুগী ফেদেরিকো চিএসানা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্লবদগী জুভেন্টসনা ২-০দা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবা এম্পোলিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা জুভেন্টসনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি। পোইন্ট টেবলদা জুভেন্টসনা পূন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা, ষ্টেদিও কোমুনালে ভাইয়া দেল মারে ষ্টেদিয়মদা সালেরনিটানা অমসুং লিচেগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লিচেনা সালেরনিটানাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। লিচেগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা নিকোলা ক্রাসটোভিক অমসুং ইঞ্জুরি টাইমদা গেব্রিএল ষ্ট্রেফেজানা চনবা ঙমখিবনি। কপ অসিগী ওইনা লিচেনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা ৪শুবা মফমদা লৈরি।



# য়ু এস ওপন : রোহন বোপানা-মেথিয়ু ইবদেন দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ইগা স্বানটেক মায়থীহৌরে

**ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):** হৌজিক-হৌজিক চথরিবা য়ু এস ওপনদা মেন্স দবলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং মহাক্কী অষ্ট্রেলিয়ন পার্টনর মেথিয়ু ইবদেন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। নোভাক জোকোভিকনা মহাক্কী লম্বা বোর্না গোজো মায়থীবা পীদুনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবগী লম্বী নকশিনখ্রে। অমরোমদা, হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বানটেক ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্কী লম্বা জেলেনা ওষ্টাপেনকোগী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা য়ু এস ওপনদগী মপান থোকখি।



ইন্দো-ওষ্ট্রেলিয়ন পুংবা অসিনা মখোয়গী লম্বা ওইরিবা বৃটিশকী পুংবা কেস অমসুং পেটেনবু ৬-৪, ৬-৭(৫), ৭-৬ (১০-৬)দা মায়থীবা পীদুনা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। মেন্স দবলসকী ওইনা অহুমশুবা রাউন্দদা শান্নগদৌরিবা নেদরলেন্দসকী ৱেস্লি কুলহোফ অমসুং য়ু কেগী নিল সুবস্কি অমদি য়ু এসকী নাথানিএল লামোন্স অমসুং জেক্সন ৱিথ্রোগী মেটচতা মায় পাল্লক্লবা পুংবা অদুগা ইন্দো-অষ্ট্রেলিয়নগী পুংবাগা লম্বা তৌনগনি। মেন্স দবলসকী ওইনা মশাগী চহী ৪৩ রোম শুরবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা নৎতনা অতোপ্পশিংদি য়ু এস ওপনদগী মাঙজৌননা মপান থোকখ্রে।

অমরোমদা, য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইনবা মঙজরম্বা ইগা স্বানটেককী মঙলান ঙরাং অরেম্বদা তাখ্রে।

ঙরাং জালেনা ওষ্টাপেনকোগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা স্বানটেক ৩-৬, ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা নংখিবনি। স্বানটেকনা মায়থীবা নংখিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ু এস চেম্পিয়নগী ক্রাউন অনৌবা নুপী প্লেয়র অমনা শোয়দনা উপ্লরগনি।

নাকল অমরোমদা, নোভাক জোকোভিকনা মহাক্কী লম্বা ক্রোএসিয়াগী বোর্না গোজোবু ৬-২, ৭-৫, ৬-৪দা থোইদুনা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। য়ু এস ওপনগী টাইটল মহাক্না শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোংদোক্লরক্লি।

# পেরিস সেন্ট জর্মেননা লিওবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে

**পেরিস, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):** ফ্রান্সতা হৌজিক চথরিবা লীগ ৱানগী ওইনা ঙসি গ্রুপামা ষ্টেদিয়মদা পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি) অমসুং লিওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা পি এস জিনা লিওবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা পি এস জিনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি শুট আউটকী খূদোংচাবা অমা ফংখি। পেনাল্টি অদু মমিং লৈরবা কিলিয়ান এম্বাপ্পেনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনটতা অসরফ হাকিমনা পাঞ্জল অমা অদুগা ৩৮শুবা মিনটতা মার্কো এসেন্সিওনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৩শুবা ঙমখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা কিলিয়ান এম্বাপ্পেনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অমরোমদা, লিওগী মায়কৈদগী মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি শুট আউট অদুবু টিম অদুগী ফোরেন্টিন টোলিসোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা মখাতানা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা পি এস জিনা মেটচ অদু ৪-১দা মায় পাকখিবনি।

# আইরিশ ফুটবোল্লর রোই কেনদা এটেক চথখিবগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে

**লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):** য়ু কেগী ইমিরেট্স ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অর্সনেল অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা অর্সনেলনা পাঞ্জল ৩-১দা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীখ্রবা মতুং আইরিশ ফুটবোল্লর অমসু ওইরিবা হান্নগী কেপ্টেন রোই কেনদা শকখঙদবা মীওই অমনা এটেক চথরকখিবা অদুগী মতাংদা মেট্রোপোলিটান পুলিসনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে।

বৃটিশ মীদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না মশাগী চহী ৫২ রোম শুরবা হান্নগী আইরিশ কেপ্টেন অসিদা ফেন অমনা খঙহৌদনা এটেক চথখিবনি। মঙোন্দা এটেক চথবা হৌরকপা অদুদা মহাক্কী কলিগ ওইরিবা মিকা রিচার্দসনা ফেন অদুগা মায়োক য়াখিবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখিবনি। মদুগী মতুং মেট্রোপোলিটান পুলিসনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখিবনি।

অমরোমদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌই হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মেট্রোপোলিটান পুলিসনা চথরিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা মখোয়গী মায়কৈদগী মপূং ফানা মতেং পাংগনি হায়না অর্সনেলগী ৱাঙাংলোয়না অমনা স্কাইস্পোর্টসতা ফোঙদোরকখ্রে।

# বর্সেলোনানা ওসাসুনা থোইখ্রে

**স্পেন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):** স্পেনগী এল সাদর ষ্টেদিয়মদা ঙসি বর্সেলোনা অমসুং ওসাসুনাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা বর্সেলোনানা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বর্সেলোনাগী পাঞ্জল অনী অদু টিম অসিগী জুলেস কোন্দে অমসুং রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা চনখিবনি। অদুগা ওসাসুনাগী পাঞ্জল অদুনা ইজেক্কেল এভিলানা মেটচ অদুগী ৭৬শুবা মিনটতা চনখিবনি। লা লিগাগী টেবল পোইন্টতা বর্সেলোনানা পূন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।


## চহীগী দশা য়েংজরি / [Meitei Mayek text]



মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8286/29/8-28/9



**[Meitei Mayek text] / অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুন্বা মৱূ-মৱূ অকনবতা ওইনা হাম্বা, অমাংথোঙ মপান্দসু তৎপা, শা-ঙা চারগা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চিক্লি শারি তৌরগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, অমাংথোঙদা পোন্বা অদু নোংম-নোংমগী খজিক-খজিক চাওবা হেন্দোরকপা, মতম খরগী মতুংদা হান্না পোন্বা অদুগী মনাক্তা মচা অমা অমুক পোল্লকপা, অকোনবা পোল্লকপা অদু য়াম্না নাবা অমদি শোক্লগা য়েংবদসু য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুন্বা মৱূ-মৱূ হাম্বা, অমাংথোঙ মনুংদসু খুজিনবা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংথোঙদা নারকপা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাবা লেপ্পগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, শা-ঙা চানিংবা তারগসু চাদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা চিক্লি-শারি তৌবা, অমাংথোঙ মপান্দসু তৎপা অদু হীদাক তৈরবসু অমদি চারবসু ওইশিল্লু শুকয়া য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Loken Singh**
Ningthoukhong

HL-B/8293/5


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Ref :- Mutation Case No. 174/SDC/IW(N) Sekmai of 2023**

1. Irungbam Rohini Chanu, D/o Irungbam Sana Singh of Pheidinga Bazar
2. Irungbam Rosani Chanu, D/o - do - of - do

... Petitioner

- Vs -

Late Irungbam Sana Singh, S/o Apabi Singh of Loitang Leikinthabi ... Pettadar

**[Meitei Mayek text] / NOTICE**

Sekmai, 7/6/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 42-Loitang Leikinthabi, Under Patta No. 5 (Old) 5/167 (New) Covered by C.S. Dag No. 43/236 গী area 0.31 acre চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC/Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (North) Sekmai

HL-P/7693/5 Sept.


## OFFICE OF THE YOUTH EMPOWERMENT FOUNDATION

**Govt. Regd. 08-0003099**

**Branch Office : New Checkon, Imphal East, Manipur**

**[Meitei Mayek text] / RECRUITMENT**

| Sl. | Name of Post | Seat | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Ship Cruise Hostess | 48 | 10th/10+2/Graduate | ₹ 48-98K |
| 2. | Airport Ticketing / Security | 40 | 10th/10+2/Graduate | ₹ 24-54K |
| 3. | Airport Customer Officer/CSE | 32 | 10+2/Graduate | ₹ 24-58K |
| 4. | Airport Ground Staff | 60 | 10th/10+2 | ₹ 18-44K |
| 5. | Bank Relationship Manager | 18 | Graduate/Final Year | ₹ 28-68K |
| 6. | Bank Senior Officer/Clerk | 26 | Graduate/Final Year | ₹ 24-56K |
| 7. | Bank Executive / Assistant | 42 | 10+2/ Graduate | ₹ 18-38K |
| 8. | Hospitality Staff Airline/Hotel | 88 | 10th/10+2 | ₹ 18-44K |

**Age : 17-30 years (Male / Female) Fresher only.**
**Posting : Imphal & all District (Banks)**
**Posting : Imphal, Northeast & Delhi, Goa**
**Exam / Interview : 7th Sept., 2023**
**Interested candidates send their Resume/ Bio data to sms/whatsapp : 9863328053**

HL-P/7700/5


## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR, IMPHAL

**[Meitei Mayek text] / PRESS NOTE**

Dated: 01.09.2023

### "Closing Ceremony marks the Triumph of World Entrepreneur's Day Celebrations at Manipur University."

The Manipur Institute of Management Studies (MIMS) Manipur University in collaboration the State Swavalambi Bharat Abhiyan, Manipur Branch, celebrated the triumphant conclusion of World Entrepreneur's Day with a grand closing function held at University Court Hall on August 31, 2023. This collaborative effort brought together entrepreneurs, visionaries, academic leaders, and young students to celebrate and promote entrepreneurship in Manipur.

World Entrepreneur's Day, observed worldwide on August 21st, celebrates the entrepreneurial spirit and the role entrepreneurs play in fostering economic growth and innovation.

World Entrepreneur's Day at Manipur University has left an indelible mark on the entrepreneurial landscape in the region, motivating individuals to pursue their entrepreneurial dreams and contribute to Manipur's economic development and prosperity.

The function witnessed a distinguished panel of guests, including Prof. N. Lokendra Singh, Vice-Chancellor of Manipur University, who served as the Chief Guest. In his address, Prof. N. Lokendra Singh emphasized the invaluable role played by entrepreneurs, considering them a precious asset to the state's progress and development. He expressed his fervent desire for students to engage in more interactions with these dynamic entrepreneurs, recognizing the immense learning opportunities such interactions can offer. Prof. Singh also commended the institute for organizing such enriching events and encouraged the continuation of such initiatives in the future. Prof. Singh also acknowledged the resilience of Manipur's middle class and expressed optimism that the state would emerge from its current crisis.

During his address at the event. Prof. Wahengbam Chandbabu Singh, Registrar of Manipur University, provided valuable historical context, noting that the concept of entrepreneurship is not new to India and has existed since the pre-colonial era. He highlighted the recent prominence gained by the field of entrepreneurship in Manipur over the past decade and a half, showcasing the evolving landscape of innovation and economic development in the region.

Prof. Singh also praised the significant efforts of the State Swavalambi Bharat Abhiyan in raising awareness about entrepreneurship throughout the state, reaching even the most remote corners. He emphasized that these endeavors are in alignment with India's aspiration of achieving self-reliance and realizing its dream of becoming an economic superpower. Prof. Singh's remarks underscored the importance of entrepreneurship as a key driver of economic growth and self-sufficiency.

During her speech at the event, Prof. Th. Purnima Devi, Dean of the School of Social Sciences at Manipur University, who was honored as one of the Guests of Honor, praised the dedicated faculty of the Department of Vocational Studies and Skill Development for their significant contributions during the week-long observance of World Entrepreneur Day. She highlighted the department's commendable efforts in organizing various awareness programs, including those held in relief camps, where they provided crucial support to the community.

Prof. Devi specifically noted that the department conducted programs encompassing food processing training, career counseling, and psychological support, demonstrating a holistic approach to empowering individuals and communities.

The event witnessed a remarkable gathering of accomplished entrepreneurs, each sharing their unique entrepreneurial experiences and journeys, leaving a profound impact on the young minds in attendance. Notable entrepreneurs, including Smt. R.K. Ongbi Purnima Devi, an MSME National Awardee, Shri M. Nelson Sharma, the Founder of Nelsurok OPC Pvt. Ltd., Smt. Swati Thounaojam, Founder of ManipurShopping.com and Maraah. Khundongbam Roshan Singh, the Proprietor of Eco Warrior, and Shri. L. Niranjan Singh, the Managing Director of JCRE Skill Solution, offered valuable insights and inspiration through captivating anecdotes.

Prof. L. Prabhakar Singh, Director of MIMS, Manipur University, served as the President of this event. These distinguished guests collectively emphasized the importance of entrepreneurship in driving economic growth and inspiring future generations of entrepreneurs.

Sd/- **Punsiba Toijam**
**PRO (i/c)**
**Manipur University**

HL-B/8300/5


[Meitei Mayek text]

**ADMISSION OPEN**

FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS
SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/8262/9/8-9/9


## THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G.AVENUE, IMPHAL

**[Meitei Mayek text] / PRESS RELEASE**

Imphal, the 4th September 2023

No. IUCB/14/2023-24 : Notice is hereby circulated for general information of all concerned sections of the society who were affected due to the ongoing social unrest which have erupted w.e.f. 3rd May 2023 that as per resolution of the SLBC meeting dated 1st July 2023, the Bank will provide relief measures by adopting loan rehabilitation/restructuring process. The said relief measures will be taken up after due assessment of the grievances/suffering w.e.f. 4th May 2023 and will be closed on 21-09-2023.

Hence, all concerns Individual may approach to the Branch Offices of the Bank to avail the facility for loan rehabilitation/restructuring measures taken up by the Bank on all working days during office hours.

Sd/- **H. Meghachandra Sharma**
Dy. General Manager

HL-P/7696/5


[Meitei Mayek text]
**NACHOM EDU FOUNDATION**
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
NEF

**Congratulations**



HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT, Kharagpur in 1st Counselling,
IAT, 2023 (IISER)-AIR 33 (SC)



NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT, PATNA in 1st Counselling
IAT, 2023 (IISER)-AIR 395



AYEKPAM LANKHONBA
NIT, Jhalandar in 1st Counselling



RK NIRAJ
IAT, 2023 (IISER)-AIR 1576

**REGISTRATION OPEN**
for
**JEE (Mains) Target April Session 2024**
Commencing from 1st Sept. 2023
Eligibility : Class XII(Sc.) Passed/Appearing

*For more details contact :*
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-P/7162/17, 19, 21, 23, 26, 28, 30, 1 Sept, 3, 5, 7, 9, 11, 13


## MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

**Secured Office Building, 3rd Floor, A.T.Line, North A.O.C.**
**Imphal West, Manipur- 795001**

**[Meitei Mayek text] / NOTICE INVITING TENDER**

**(e-Tender)**

**Imphal, the 17th August, 2023**

**No. 2/315(SI-UBS)/RDSS/2023-MSPDCL-TECH/812-88:** Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL), a Government of Manipur enterprise, invites online Proposals for **"Appointment of System Integrator (SI) for implementation of Utility Billing system in Manipur under SaaS model"** through global open competitive procurement.

| | |
|---|---|
| Last Date & time for submission of Techno-Commercial Bids and Financial Bids (on line) and also submission of Techno-Commercial Bids in Hard Copy (for verification) | 12/09/2023 upto 11.00am |

For details interested bidders may visit website www.manipurtenders.gov.in/ www.manipur.gov.in

Interested bidders may visit the website regularly and remain updated for any amendments/modifications/corrigendum etc. on the above mentioned Tender. No separate notifications will be given for such amendments/modifications/corrigendum etc. in the print media (Press) or intimated to the bidders separately.

Sd/- **Dr. Shailesh Kumar Chourasia**
Managing Director, MSPDCL

HL-B/8301/5